ৱেটিং লিষ্টতা লৈবশিং লৌখৎপীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল টেন প্লস টু ফ্রেশ বেটচ ২০১৬ ৱেটিং লিষ্ট কেন্দিদেটশিং অসি অথুবা মতমদা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপীয়ু হায়না এসোসিএসন অসিগী কনভিনর অঙোম দিনেশনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা অঙোম দিনেশনা হায়খি, থা অসিগী ৪দা কেন্দিদেটশিং অসিগী ওইবা জে এ সী অমা শেম্লে অমসুং নুমিৎ অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা মরী লৈনবা চে অমসু পীশিনখ্রে। ৱেটিং লিষ্টতা য়াওরিবা কেন্দিদেট ২৫২বু নুংশিবীদুনা লৈঙাক্লা মখোয়গী পূন্সি কনবীয়ু। য়াম্না ৱানা মতম শাংনা ঙাইজরক্লবনি অমসুং গভর্ণমেন্টনা ৱেটিং লিষ্টতা লৈরিবশিংবুসু লৌখৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। একাদেমিক এজ হেন্দোকপসু য়াওরক্কদৌরে হায়রি।

লূপ শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
থৌবাল কৈথেল ফম্বী মথক-মখাগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ৪গী নুংথিলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা থৌবাল কৈথেল ময়াই মক্তদা হৌজিক হৌজিক থৌবাল মুনিসিপালিটি অমদি হান্না কৈথেল ফম্বী লূপকী থৌ পুরম্বশিংগা লোয়ননা শাগৎলিবা অসি তুংদা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোরকপা য়াবদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখি।

লোয়ননা থৌবাল কৈথেল ফম্বী মথক-মখা অপুনবা হায়বা লূপ অমা শেম্বগা লোয়ননা অকোইজম সুন্দরিবু প্রসিদেন্ট, অকোইজম বুধিবু সেক্রেটরিনা খনখ্রে হায়রি।

এ আরনা সিৱিং মেছিন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ২৬শুবা এ আরনা য়াইরিপোক্কী অংথা ভীলেজদা ওটোমেটিক সিৱিং মেছিন তরুক ঙসি য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

২৬শুবা এ আরগী কম্মান্দেন্টনা য়াইরিপোক্কী লাইট য়ুথ ক্লব অমসুং এমব্রোইদরী সেন্টরদা সিৱিং মেছিনশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
য়ুনাইটেদ ক্লবস আই এম সী ৱার্দ নম্বর-৪ উরিপোক্কী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা চেঙ, চিনি, নোট বুক, হৱাইনচিংবা ঙসি খুদোল তমখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ক্লবস আই এম সী ৱার্দনম্বর-৪ উরিপোক্কী কনভিনর এদভোকেট কে ঐচ তরুনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেক য়েন্থোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
মণিপুর ষ্টেট ইলনেস এসিষ্টেন্ট ফন্দগী চেক থা অসিগী ৮দা য়েন্থোক্কদৌরিবা অদু কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর ১৫দগী ২০১৫গী ফেব্রুৱারী ফাওবদা এপ্লাই তৌরকখিবা অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা এপ্রুভ তৌরবা মীওই ৯১নি হায়না মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী চেরোল অমনা হায়রি।

নিংঙোল চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
য়ুনাইটেদ চীং-তম এসোসিএসন হৈরোক্না শীল্লগা চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম ৮লকশুবা চীং-তম চাক্কৌবগী থৌরম ঙসি হৈরোক পার্ট-২ লিতান মখোঙদা মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চীংদোম্পোক আইদেল টোপ য়ুথ ক্লব হৈরোক, অপুনবা নুপী-অঙাং শেমগৎপা লূপ হৈরোক অমদি সোসল এন্দ য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গনাইজেসন হৈরোক্না পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসি চীং-তম অনীগী মরী হেন্না নকশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। হন্দক চহীগী পাঙথোক্লিবা অসিনা ৮শুবনি। হৈরোক্না থংনরিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুল কয়াগী চীংমী নিংঙোল কয়ানা মীতৈ মবুং-মৌপ্পাশিংগীদমক্তা ইশ্খোলদা হৌবা উহৈ-ৱাহৈশিং পুদুনা নিংঙোল চাক্কৌবা লাকখি।

থৌরম অদুদা হৈরোক পার্ট-১গী জি পি প্রধান এল খম্বা, পার্ট-২ জি পিগী প্রধান টি ঐচ ভনুমতি, নিপকোগী ভী পি রিশিকান্ত য়ুম্নাম, য়ুনাইটেদ চীং-তম এসোসিএসনগী এদভাইজর নিংথৌজম ইনাওতোম্বনচিংবনা শরুক য়াখি হায়রি।

শরুক য়াখিবা নিংঙোলশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং তমদুনা থৌরম অদু হেন্না মশক থোকহনখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকপা ষ্টেট লেবেল য়ুথ ফেষ্টিবেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ওদিটোরিয়মদা ঙসি ২২শুবা ষ্টেট লেবেল য়ুথ ফেষ্টিবেল ২০১৭ লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুথ এফেযর্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, ষ্টেট দিরেক্টর নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথন ইম্ফাল সহিব সিংহ অমসুং রিটায়ার্দ আই এ এস, আর কে নিমাইনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থা অসিগী ২দগী হৌদোকখিবা দিসিপ্লিন ১১দা অথোই অহেন তান্নখিবা ফেষ্টিবেল অদু লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙবদা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, ঙসিগী নহাশিং অসিনা ষ্টেট অমসুং লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম মরা চেৎশিনহন্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি। মণিপুর অসি মিনি ইন্দিয়া অমগুম্বনি। মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী মীওই কয়ানা পুন্না খুন্দারি।

ষ্টেট অসিগী অমসুং লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্বদা নহাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। নহাশিং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বীনি অমসুং লৈবাক অসিগী লূচিংবশিং পুথোক্লবা শেম-শাগদবনি। নহাশিং অসিনা নোংমদি ষ্টেট অসি লৈবাক অসিগী অফবা লূচিংবা অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা পূক্নিং থৌগৎকদবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা আর কে নিমাইনা হায়খি, ষ্টেট য়ুথ পোলিসি অসি শেমদোকপা তঙাইফদ্রে। অদুন্না তৌরবদি নহাশিং অসিগী মশাদা য়াওরিবা হৈথোই-শিংথোইবা কয়া অদু মপুং ফানা শেমগৎপা ঙমগনি। ষ্টেট অসিগী নহাশিং অমদি স্পোর্টস পার্সনশিং অসি অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংবীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখি। মদুগী মনুংদা থৌবালদগী থোঙাম জিংসো, সেনাপতিদগী ৱা কে কচাংপা অমসুং তমেংলোংদগী দিসিনাং পামৈনা ইলোক্যুসন্দা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

গিটারদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মুতুম ভারতভুষণ, চান্দেলগী য়ুলহুং সুনরৈ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী আর কে সঞ্জয়না মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

তল্লাদা বিষ্ণুপুরদগী ঐচ বাবুতোম্বা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী জেমস রাজকুমার অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী সোরোকখাইবা খিংবনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রে।

হার্মোনিয়মদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মহমদ সাব ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়না বাঁসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দল্লিয়ু বিক্রমজিৎনা ৱিন্নর ওইখ্রে। সিতারদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী জয়গেশ্বরীনা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা ক্লাসিকেল ভোকেলদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কে ঐচ ধনমঞ্জুরি অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী এল বিদ্যনন্দনা অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ক্লাসিকেল মণিপুরী দান্স কম্পিটিসন্দা থৌবালগী টি ঐচ তোলেন মীতৈ, ইম্ফাল ইষ্টকী এম ইলিনা অমসুং ককচীংগী এল সপনানা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রে।

ফোক সোং কম্পিটিসন্দা ককচীং দিষ্ট্রিক্টনা ফর্ষ্ট, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টনা সেকেন্দ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনা থার্দ তাখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফোক দান্স কম্পিটিসন্দা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টনা সেকেন্দ অমসুং থার্দ তাখ্রে।

ৱান এক্ট প্লেদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ৱিন্নর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা সেকেন্দ তাখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফোর্ম ফিল-অপ তৌবা য়াহনবীদুনা এগজামিনেসন য়াওহনবীয়ু : এস য়ু কে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংনা মহৈরোয় মশীং য়াম্না তমহন্নিংবদগী কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌগদবা ক্লাস এলেবেনগী এগজামিনেসন্দা মহৈরোয় খরা চহী মাঙবা য়ানা লৈরে হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (এস য়ু কে)না ফোঙদোরক্লি।

এস য়ু কে হেদওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দোলরসেন টি ঐচনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাংজিংদা লৈবা রোয়েল একাদেমি স্কুলনা মহৈরোয় য়াম্না তম্বা শাদুনা স্কুল অসিদা এদমিসন ফাওবা তৌবদা মহৈরোয় অহুমগী মমিং কাউন্সীলদা এনরোলমেন্টগীদমক থাগৎশিন্দুনা মহৈরোয় অহুমগী পূন্সি মাঙবা য়ানা লৈরে। হায়রিবা মহৈরোয় অহুম অসিগী মনুংদগী মহৈরোয় নুপামচা অমনা এস য়ু কেদা ৱাকৎলকপদগী থিজিল্লুরবা মতুংদা হায়রিবা মহৈরোয় অসি ক্লাস টেন পাস তৌরবা মতুং ৱাংজিংদা লৈবা রোয়েল একাদেমিদা এদমিসন তৌনবা ফোর্ম থাজিনখি।

অদুবু দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না লৌবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী এন ট্রান্স টেষ্টতা মায় পাক্লকপদগী অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা এদমিসন তৌদুনা স্কুল অসিগী মন্থলি এগজামিনেসন কয়া থাদুনা লাইরিক তম্বা হৌরবা মতুংদা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট লাক্তবদগী মহৈরোয় অসিনা থিগৎলুবা মতমদা রোয়েল একাদেমি ৱাংজিংনসু হায়রিবা মহৈরোয় অসিগী এনরোলমেন্ট/রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা থাগৎলম্বদগী দল্লিং চৎলম্লে।

কাউন্সীলগী ক্লোজ নম্বর ১.৪ (আই) কাউন্সীল করিকলম অমদি সিলেবসকী মতুং ইন্না মহৈরোয় অসিগী এনরোলমেন্ট/রেজিষ্ট্রেসন ককথত্তুনা স্কুল অমনা খন্দুনা লুপা ১০,০০০ ফাইন তৌবা অসিনা ওইরি। মসিদা এস য়ু কেনা হায়নিংলিবদি এদমিসনগীদমক ফোর্ম খত্তা থাজিল্লম্বা, শেল ফাওবা থিদ্রবা রোয়েল একাদেমি ৱাংজিংনা করম্বা গ্রাউন্দদা করম্না কাউন্সীলদা এরোলমেন্ট অমদি রেজিষ্ট্রেসনগীদমক মহৈরোয় মশাগী ফোটো অমদি সিগ্নেচর ফাওবা য়াওনা থাগৎলিবনো হায়বসিনি।

রোয়েল একাদেমি ৱাংজিংনা তৌরিবা থৌওং অসি মহৈরোয় খুন্নাইবু শীংনদুনা নমদুনা মখোয়গী স্কুলদা তমহন্নবা থৌওং চত্থরে হায়বসি থোক্লিবা থৌদোক অসিনা ময়েকশেংলে। রোয়েল একাদেমি ৱাংজিংগা এস য়ু কেগা ৱারী শানবা মতমদা মমাঙদসু মহৈরোয় কয়া ফোর্ম থাজিল্লম্বা অমদি এদমিসন তৌরমদনা চৎখ্রগা কোন্নথংদা চহী লোইরমদাইদা এগজামিনেসন থাজগে হায়না লাকপা কয়া লৈখ্রে। মরম অসিনা হায়রিবা কেন্দিদেট অসিগী এনরোলমেন্ট অমদি রেজিষ্ট্রেসন তৌরমদ্রবসু রেজিষ্ট্রেসন অমদি এনরোলমেন্টগীদমক থাগৎলুবনি হায়বা ৱাফম প্রিন্সিপালনা পাউদম্লকখি হায়রি।

মথোং হুক্তবা থৌওং চত্থরিবা রোয়েল একাদেমি ৱাংজিং স্কুল অসিগী মথক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা এক্সন লৌখৎকদবনি অমদি অতেনবা মতমদা স্কুল অসিগী ওথোরিটিনা এস য়ু কেগী ওফিসতা লাক্লগা হায়রিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা মহৈরোয় অসিগী পূন্সি মাঙবদা থৌদাং পুগদবনি হায়রি।

হায়রিবা চহী মাঙগদৌরবা মহৈরোয় অসি কনবীদুনা কোসেমগী মায়কৈদগী মহৈরোয়শিং অসিগী তোঙানবা মেকানিজম অমা শেম্বীদুনা মহৈরোয়শিং অসিবু ফোর্ম ফিল-অপ তৌবা য়াহন্দুনা এগজামিনেসন য়াওহনবীনবা কোসেমগী পূক্নিং চিংশিল্লি হায়না মখা তারক্লি।

বি এস এফনা সিবিক এক্সনগী পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):
লম্লাইদা লৈবা বোর্দর সিকুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী মোইরাংপুরেল এক্সিসনা শীন্দুনা ঙসি মোইরাংপুরেলগী খুঙ্গং কয়াদা সিবিক এক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৪৯শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফকী কম্মান্দেন্ট এন দি মাওনা লূচিংবা টিম অমগা অপুনবা ভীলেজ টিমগা বোল্লিবোল মেৎচ অমসু শান্নখি। থৌরম অদুদা কম্মান্দেন্ট এন দি মাওনা সিন্টেক্স ৱাটর কন্টেনর, প্লাষ্টিক চ্যের, শান্নখোৎনবগী পোৎলমশিং, দষ্ট বিনশিং, ষ্টিল প্লেটশিং অদু মোলকোং ভীলেজ, বোংয়াং ভীলেজ, মোইরাংপুরেলগী এম ৱাই সী ক্লব, মোইরাংপুরেলগী বেথেল হায় স্কুল, মোইরাংপুরেলগী সাইনিং য়ুথ ক্লব, লম্লাইগী ব্রাইট কেরিয়র একাদেমি, লম্লাই কৈথেল, লুৱাংশঙবমগী কর্মেল জ্যোতি চিলদ্রেন হোম অমসুং মন্ত্রিপুখ্রিগী তাবিথা চিলদ্রেন হোমদা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদু ৪৯ বট্টালিয়ননা বি এস এফ সিবিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগা বি এস এফকা লৈনরিবা মরী চেৎশিনহন্নবা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

থৌরম অদুগী অরোইবদা অথুম-অহাওশিং খুঞ্জাশিংগা চামিন্নখি হায়না ৪৯ বট্টালিয়ন বি এস এফকী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ (এদমিনিষ্ট্রেসন) টি ঐচ বিনোদনা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবগী ২৫শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):
কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট)না শীন্দুনা বাব্রি মসজিদ তুগাইখিবগী ২৫শুবা নীংশিং নুমিৎ ঙসি পাউনা কৈথেলগী উশা সিনেমা মনাক্তা লৈবা কখুলোং কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইরাবত ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. য়ুম্নাম ইবোপিশক, সী পি আই (এম)গী সিনিয়র মেম্বর মোইরাংথেম থোইবা, হিজম ইন্দ্রকুমার অমসুং মীয়ামগী এদিটর সাইখোম জুগোলনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা হায়খি, ১৫শুবা সেঞ্চুরিগী মোস্ক বাব্রি মসজিদপু কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ৬তা থুগাইখিবদু মনীং মখা তম্বা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অমম্বা নোংমাইজিং ওইদুনা লৈরি।

তমথিরবা থবক অসি সেন্টরদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ অমদি উত্তর প্রদেশতনা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা চত্থখিবনি। থৌওং অদু মোদর্ন ইন্দিয়া রিপব্লিক অসিদা খ্বাইদগী তমথিবা থৌদোকনি। আর এস এসকী আইদোলোজিকেল প্রোজেক্ট হিন্দু রাষ্ট্রগী লম্বী শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী সিক্যুলর ফাউন্দেসন অসি থুগাইনবা হোৎনবনি।

আর এস এসনা শেমগৎপা হিন্দুত্বগী লন্নাই লান্মীশিং অমদি বি জে পিগী লূচিংবশিংনা বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবনি হায়না মরাল শীখি। ঙসিনা অদুগুম্বা লন্নাই লান্মীশিং অদুবু সেন্টরদা পাৱর পায়রিবা বি জে পিনা মথৌ হাপকত্তুনা লোবু মখুত্তা পায়রগা শীজিন্নরি হায়নসু মরাল শীরি।

ষণ কত্তুনা য়োনবা থিংবগী মিংদা ঙসিদি গাও রক্ষকশিংনা মুস্লিমশিং, দলিতশিংদা পাক শন্না লানদারক্লি। ইন্দিয়াগী সিক্যুলর দেমোক্রেসিগী মায়থোঙদা অমুবা মচু তৈশিনখিবা চহী ২৫গী মতম হৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থৌদৌদুবু শিল-লাংখিবা অমসুং মসজিদ থুগাইবা অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মায়োক্তা লৈবাকসিগী লো থুগাইবগী অমসুং ইন্দিয়াগী সিক্যুলর দেমোক্রেটিক ফাউন্দেসন মাঙতাকহনখিবশিং অদুগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎত্রি।

ইন্দিয়াগী মীয়াম্না অরানবা তৌবশিংবু কৈদৌনুংদা কাওরোই অমসুং লোগী মতুং ইন্না য়ৈখাই থুগাইবশিং অদুবু চৈরাক পীদ্রিমখৈ লান্থেংনখিগনি হায়রি।

থা অসিগী ৬ অসি নীংতম্বা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন শেম্বগী দ্রাফটিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইরম্বা দাদা সহেব অম্বেদকর লৈখিদবগী নুমিৎসু থোক্লি। লৈবাক শিনবা থুংনা সী বি আই (এম)না শীন্দুনা দলিতশিংগী মায়োক্তা এটেক তৌরকপা অমদি কন্সটিট্যুসনগী সিক্যুলর দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিংদা কম্যুনেল ফোর্সশিংনা শীংনরকপগী মায়োক্তা থৌরম পাঙথোক্কনি। হৌজিক্তি মীয়াম্বু খোমজিন তাশিন্দুনা শীংনরক্লিবশিং অসি অথিংবা অমদি মায়থিবা পীবা তাই। মীয়াম্নসু কম্যুনেল লাইনগী লম্বীদা তোখায় তোখায়না লৈহন্নবা হোৎনবা পূম্নমকপুসু থিংবা তারি হায়না ফোঙদোকখি।

সী আর পি এফনা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
থাখায় অমা চুপ্পা থা অসিগী ৬তগী চত্থরকপা স্বাছতা ভারত পখ্বাদাগী শরুক অমা ওইনা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা ঙসি রাইজিং এথেলেটিক য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী টর্ফ গ্রাউন্দ, খুমন লম্পাক অমসুং মোংশাঙ্গৈগী বট্টালিয়ন অসিগী হেদক্কার্টরগী কেম্পসতা উ চারাশিং থাখ্রে হায়রি।

সী আর পি এফ মণিপুর নাগালেন্দ সেক্টরকী আই জি পিগী মীৎয়েং মখাদা চত্থখিবা কেম্প্যেন অদু বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারগী লমজিং মখাদা মীয়ামগা লোয়ননা পোল্যুসন ঙাকথোক্লবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা চত্থখিবনি।

উ থাবা অমসুং লু-নান্না লৈনবগী দ্রাইব অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী পার্সনেল ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিং অমসুং মীয়াম্না মতেং পাঙলকখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ফার্মরস ক্লবস ওর্গনাইজেসন শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
অমুকো, অমেস্কো, ইরাবত ফাউন্দেসন, ফার্মরস ক্লবস অমসুং নাবার্দনচিংবগী খঙ-হৈরবা লৌমী-শিন্মী কয়ানা শরুক য়াদুনা অমুকোগী কনফরেন্সতা ওল মণিপুর ফার্মরস ক্লবস ওর্গনাইজেসন কৌবা লূপ অমা শেমখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিগী থৌ পুনবা প্রসিদেন্ট ওইনা দল্লিয়ু আর শাহ খুল্লাকপম, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা এল রতন মীতৈ, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা এস জেমসপু খনখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌমী-শিন্মীশিংগী থাদরকপা স্কিম, লোনগী মরমদা খঙনিংবশিংনা মণিপুর ফার্মরস ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী ওফিস ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায় অমুকো বিল্ডিংদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

পোনিগী ফ্রী হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটি য়ুনির্ভিটি ইম্ফালগী কোলেজ ওফ এগ্রীকলচরগী এনিমেল সাইন্স দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা সাইন্টিফিক ক্যের এন্দ মেনেজমেন্ট ওফ পোনি হায়বা হীরম অসিদা হেল্থ কেম্প কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সকী হেদ টি ঐচ রধির, প্রো. এন ধনেশ্বর, প্রধান এম দিনচন্দ্র অমসুং ৱার্দ মেম্বর কান্তনচিংবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা পোনি ৪০দা ৱার্মগী হীদাক পীখি হায়রি।

এস এস য়ু এমগী থৌপুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)গী জেনরেল বোদি মীফম অমা ঙসি কৈশাম্পাৎ লাইশোম লৈরক্তা লৈবা হেদ ওফিসতা পাঙথোক্তুনা কুমজা ২০১৭-১৮গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়রি।

এন লুৱাং মীতৈবু প্রসিদেন্ট, পুখ্রিময়ুম সুদনবু জেনরেল সেক্রেটরি, থাংশাবম প্রদিপকুমারনা ফাইনান্স সেক্রেটরি, নাওরেম তনোরঞ্জন সেক্রেটরিবু পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ওইনা মীওই ১৩না শাবা এগজিক্যুটিব বোদি শেমখ্রে।

থা অসিগী ১০দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা নৌনা থৌ পুনবা খল্লবা মীওইশিং অসি ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

লীদরশিপ ট্রেনিং কেম্প

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস): অপুনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোয় শিনপাং লূপনা শীন্দুনা লীদরশিপ ট্রেনিং কেম্প ২০১৭ থা অসিগী ২০দগী ৩০ ফাওবা ক্বাকৈথেল গর্লস হায় স্কুলদা লৈবা এ আই এম এসকী ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোক্কনি হায়রি। ক্লাস এলেবেনগী মথক্তা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মীওই ১৫০না শরুক য়াগদবা কেম্প অসিদা য়াওবা য়াগনি হায়না এ আই এম এসকী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন নিকরসন খুমনচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নেসনল য়ুথস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল ২০১৭ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
ইপাক ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯গী নুংথিল পুং ২ তাবদা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি পেলেস কম্পাউন্দগী ওদিটোরিয়মদা নেসনল য়ুথস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল ২০১৭ পাঙথোক্কনি হায়রি।

সেভ অৱর কলচর এন্দ নেসন হায়বা থিম অসিগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা অসাম, ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরগী নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট ৭০ রোম শরুক য়াগনি। ফেষ্টিবেল অসিদা পেনা, খুনুং ঈশৈ, খোংজোম পর্ব, থাং-তা, পুং- চেলোম, মাইবী জগোই, খম্বা-থোইবী জগোই, কবুই দান্স, থৌগল জগোই অমসুং মাইরাং সাইনচিংবা উৎকনি।

ষ্টেট অহুমগী নহাশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা অমদি কলচরেল এক্সচেঞ্জ তৌনবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

হৌরক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা চৎনলোনচৎ, লাইনিং-লাইশোন অমদি ফিজেৎ-লৈতেংবু ঙাক্তুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট ৭০ রোম অসি মীয়াম মাঙদা পুথোক্লবগী পান্দমদা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুর ফোক সিঙ্গর থোকচোম লনসনা, দোনা ঙাইরাংবম, নোংথোম্বম সুরবদা, সলাম রোসনি অমসুং ইরুংবম সন্ধ্যারানিনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ মখলশিং খুদোল তমগনি।

ত্রিপুরাগী মণিপুরী ফিল্মগী ইহান হানবা ফিমেল এক্টর লৈনা তখেল্লম্বম অমসুং অসামগী মণিপুরী দান্সর কবিতা সিংহসু সোলো পার্ফোমেন্স উৎকনি। মণিপুরী ফিল্মগী আর্টিষ্ট মহেশ থৌনাওজম অমদি কোরিওগ্রাফর সতরজিৎ থিয়াম অনীগী অখন্নবা ফোক অমসুং মোদর্ন দান্সসু উৎকনি।

লমদমসিগী শৈশকপা অমসুং শৈশকপী সুস্মিতা, সঙ্গীতা, সুরমা, চিত্রা, অফাও, রাজ এলাংবম, এ জে মৈস্নাম, অর্বিন্দ, বিদ্যমনিনচিংবা ম্যুজিক কন্সর্ট অমসু পাঙথোক্কনি অমদি সদানন্দ হামোম অমসুং নাওবেম হুইদ্রোমসু স্পেসল গেষ্ট সিঙ্গর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

তখেল মোদেল ভীলেজ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):
সনসট অদর্স গ্রাম যোজনা (এস এ জি ৱাই)গী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তখেল ভীলেজকী মীয়াম য়াইফনবগীদমক তখেল গ্রাম পঞ্চায়ট লোঞ্চ তৌবগী থৌরম তখেল চীং-তম কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা রাজ্য সভাগী এম পিনা ফোঙদোকখিবদা তখেল ভীলেজবু মোদেল ভীলেজ অমা ওইনা শেমগৎনবগী থৌদাং লৌজবনি অমদি এম পি লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমনা তখেল মোদেল ভীলেজ শেমগৎ-শাগৎকদবনি। স্কিম অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু অমদি মোদেল ভীলেজকী দ্রাফট প্লান শেম-শাবদা সজেসনশিং মীয়াম্না পীবিরকপগা লোয়ননা মোত ফোঙদোকপীয়ু।

এস এ জি ৱাইগী পান্দমদি মহাত্মা গান্ধীগী অখন্নবা মীৎয়েং মখাদা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপনি। কুমজা ২০১৯ ফাওবদা এম পিশিংনা মোদেল ভীলেজ ওইনা ভীলেজ অহুম এদোপ্ট তৌগদবনি।

থৌরম অদুদা লম্লাই এ সীগী এম এল এ, কে এস ঐচ বিরেন; তখেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মোইরাংথেম নিংথেম; ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার টি ঐচ চিত্রা; এদিসনেল দি সী লকিসন এন কসুং; বি দি ও, এম মণিসু শরুক য়াখি।

নুমিৎ ২নি চুপ্পা চত্থরকপা বী কিপ্পিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

BEE KEEPING
DRDA, Tamenglong

তমেংলোং, দিসেম্বর ০৬(ঐচএন এস):
দিষ্ট্রিক্ট রুরেল দিভলপমেন্ট এজেন্সী (দি আর দি এ)না স্পোন্সর তৌদুনা পিপল এন্দেবর ফোর সোসল চেঞ্জ (পি ঈ এস সীঐচ) অমদি হাইতুং গুদৱিল ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা তমেংলোং হেদক্কার্টরসকী সেকিনু ইনদা ঙরাংদগী হৌখিবা ১৪শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ২নিগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল বী কিপ্পিং ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা দি সী আর্মষ্ট্রোং পামৈ আই এ এসনা হায়খি, ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ারিবা ট্রেনি খূদিংমক্না মহয় চাগদবা অমসুং ষ্টেটকী ওইনা খোইহি পুথোকপা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমনি।

বী কিপ্পর/ফার্মরশিংনা শেন্থোক লন্মী অমসু ওইনবা হোৎনদুনা হেন্না শেন্দোং ফংনবা হোৎবদা মতেং কয়াসু পাংগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বী ক্যের এন্দ রিসার্চ সেন্টর জীরিবামগী মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা জীরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর ঐচ রাজেনকুমারনা রিসোর্চ পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না হায়খি, তমেংলোং অসি হোর্টিকলচরগী রিসোর্চ মরাং কায়না লৈবা মফম অমনি। মরম অদুনা হোর্টিকলচরগী পোথোক হেনগৎহনগে হায়রবদি খোই লোয়দুনা হোর্টিকলচরগী পোথোক হেন্না পুথোকপা য়াগনি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা পি ঈ এস সীঐচকী কোওর্দিনেটর নামথিনলুং পামৈনা মোদরেটর ওইখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা ট্রেনি ৩৫দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী আর্মষ্ট্রোং পামৈনা সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

ঙরাং হৌদোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা দি সী তমেংলোং আর্মষ্ট্রোং পামৈনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। ট্রেনিং অদুদা ঐচ রাজেনকুমার মেনেজিং দিরেক্টর বী ক্যের এন্দ রিসার্চ সেন্টর জীরিবামনা রিসোর্চ পার্সন ওইনা ট্রেনিং পীখি।